# লৈখিদ্রবী শক্লাইরবী অইবী শঞ্জেনবম ভানুমতীগী অরোইবা খোঞ্জেল

**ঙসিগী** ৬শুবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরসিদা লেঙবীরক্লিবা পূম্ববু ইকোক নোন্না খুরুমজরি। ঙসিগী ইকায়খুম্নবগী মশক ওইরবা কবিশিংনা পাবিবা মখল মখাগী মনা মানা পামজবা থিমদা পূক্লিং চঙনা থীবিবগীদমক থাগৎচরি। কুইরে অশেংবা কবি শম্মেলন থেংনখিদবা। চহী ৩০/৪০ গী মমাঙদা থেংনজখিবদি নুংশিবনা থুক্হৎলি। মতমদুগী এটমোসফেয়রদি পুমতোপ তোপ্পী। অঙাং ওইনা পাবুংগী তুং ইঞ্জদুনা সাহিত্যগী থৌরম খুদিং পুবিখি। মতমদুদা উজখিবসি লেঙবীরক্লিবা অহল-লমনশিং ফিভৌনা অয়াম্ব শেৎনৈ। নহামরক্তা ফাওবা থেংনজখি, কাউজদ্রি মীয়াম্না ঙসি খঙনরিবা থিএটরগী লমদা শক্লাইরবা রতন থিয়াম ফাওবা ফজনা ফৈজোম গুঞ্জা কাওদুনা শেৎলগা শৈরেং থীবা য়াওবিখি - অর্য়ান থিএযর হোলদা মিৎতা শঙশঙ উজরি - সার রতনসি মতমদুদা মশা পাই, তোংগাননা য়াম্না ফজে। অদুবু কনানো হায়বদি কায়নথংদা খঙজরকখি। কাউজদ্রি হোল অদু ধুপকী মনমনা শীল্লি। মতমদুদা সাহিত্যগী ফঙ্কসন তৌবদা ওপনিং-ক্লোজিং ফজনা য়াওই ঈশৈগী। য়াম্না সেরিয়স ওইনা থবক তৌনৈ। ইরায় লায়না ইকোম কোমথোক্লা খক তৌবা উদে। লিংজেলবু য়াম্না মান্নে। ঙসিফাও কাউবা শুকঙম ঙমজদবা অমা য়াওখি - তেরা লুক্রাম লৈরকতগী কলাকার অমা মিংদি কাউজরে - মহাক্লা ওপনিং সোং, ঐবু পোকপা পাবুংনা ইবা ঈশৈ অমা শকখি। তালপুরা পায়নবসু য়াওই। মহাক্লা তালপুরাদু পায়রগা য়াম্না থৱায় য়াওনা শকখিবা ঈশৈদুগী অহৌবা স্থায়ী মচেৎ অমতং নত্তনা অতৈদি নীংশিংবা ঙমদ্রে। "লেংশিনবীয়ু ইমা মহৈগী মবেম্মা/লৈরাংনা য়োল্লবা বসন্ত লৈকোলদা...' অসুম্না শৈহৌবা ঈশৈনি। মতমদুদা শরুক য়াবিররিবা মীয়াম অমত্তসু লাঙনরমদে - চেকমোক লাউদবা মরক্তুদা লোক খুনিংবফাওবদা খাঙনবা কন্না হোৎনখি। মতমদুদদি থম্মোয় শেংবা, কৎথোকপনা হেনবগুম উজে।

পূম্নমকসিগা মরী লৈননা হায়জনীংবদি - কবিদি মী অমনা হেক্তা শাজিন্নবা য়াদে। অদুনবু কবি চাউবনা হায়বিরমখিবদুনি কবিদি ধ্যান তৌরিবা মুনিগুম্বনি, লাই তোংবা মাইবীগুম্বনি হায়না। কবিতা অমা হেক্তা ইগে হায়দুনা ইবা য়াদে - পূক্লিংগী ইহুল য়াওদনা ইবা কবিতাদি কবিতা নত্তে হায়না তাজে। হায়নবা লৈ 'কবিদি কনাগীসু মখা পোন্দনা ইবনি, অদুবু পংইতা হেক ইবদি য়াদে, সমাজগী লীচৎ হায়বা অমসু লৈ, অপূনবগী ওইনা মীয়ামগী কান্নগদবা অচুম্বা, ফজবগী মশক য়াওবা শৈরেং ইবা তাবনি। মীগী য়াইফনবা খনবা তাবনি। পুন্সি খোঙচৎকী মতাং খুদিংমক্কী লিক্লমগী কাঙলোনসু লৈবা তাবনি। অসুম্না কাব্য শাস্ত্রগী ৱাংমদা পংতৌদা তৌবসু চুমদবরা খল্লি। অদুনা ঐখোয়না কাব্যদা পথাপকী ৱাফম লৈ। মসি কাউথোকফম থোক্তে। শম্না হায়রবদা কবিতা হায়বসি অচুম্বা ফজবগী তুংনফমনি, তাইবঙ শেম্বা মপূগা য়াম্না নকশিন্নবা নুংগী মওংনি। কবি রবীন্দ্রনাঠ থাকুর, কবি জয়দেবগী মিং তারি ঐখোয়না - জয়দেবগুম্বা কবি ওইবা য়াবা নত্তে। তোপ তোপ্পী- কয়াদা ফজখ্রবা কবিগী শৈরেং, ঈশৈগী খোঙচৎনো। ললিত লবঙ্গ লতা পরিসিলন কমল মলয়গ মিরে, মধু নিকর কলম্বিত কোকিল কুজিত কুঞ্জ কুতিরে। কয়াদা নীংথিজখ্রবা - অসিগুম্না ঐখোয়গী ইরমদমগীসু মিৎয়েং চিংশিনবা য়াবা (কবি) শৈরেংবা লৈতবা নত্তে। গুরু গুলাপী শকখঙনরি। গুরুসি ঈশৈ শকপদা নত্তনা শৈরেংবগী অঙকপা গুন ঐখোয়না থেংনরি- মী অমনা হেক্তা শেল পায়বনি হায়দুনা কবিগী মতৌ তম্বা ঙম্বা নত্তে। অমতং পঞ্জবা য়াবদা - কবিগী 'শেম শাবা- শোয়দনবা শেমসি/শংবান্নবা শ্যামবু শোয়দনা শুস্মৎসি/শাংলবা শল্লাংনা শংলবা শারিগসু শান্নহনসি, শরাসন্না শান্নহনসি/সিন্দুর শিন্নসি শিংলবী সাখীশিং শোয়হনগনুসি/শংবান্নবা।

ওজা দিনমনিনা হায়বিরি - "কাব্যদা সত্যাম শিবম শুন্দরমগী পন্থুং- পোরম অমা লৈতবমক শুকয়া য়াদবনি। পথাপ অমদি ইনবা তাই, মওং তানা চৎপা তাই। মতা চাদবা খোঙচৎতি চুপ্লি য়াওদ্রবা অয়াঙবা, মঙল লৈবা ইনখৎলক্লিবা শগোলগুম্বনি। অঙাওবা নীংতমদুনতা লৈবা শগোলদি লাকপা চঙঙি।"

ইশম হেক শম্না হায়রবদা কাব্যদা ফজবা, অচুম্বা হায়বসি য়াওদবা শুকয়া য়াদে হায়নরি। নীংথিবা অসিমক কাব্যগী কলাগী থৱায়নি হায়নরিবনি। ননাই ঐগী মত্তদি মফি মরোল, মচু মমেন চানা শেৎ চারবী, মায়থোঙ মকা লাল্লবী নুজা অমগুম্বনি খঞ্জে কবিতা লাইরেম্বীদি। মসিদা শুরগী ঈথক ঈপোম য়াওদবা ঈশৈখক্তা শক্লবসু য়াদে। জয় জয় হে ভগবতি সুর ভারতি/ তবচরনৌ প্রনমা মহ নাদ ব্রহ্ম মরী, জয় বাগেশ্বরী, কারনমতে গচছামমে। শুর ছন্দদা তাউরগা কবিতা ওইরিবনি। অমুক বাঙ্গালিদসু অদুমঙাই - 'সময় বহিয়া থাই শ্রতের মতন/এখন তখন নাই কি হৈ কখন/আজি সে সময় গত: হইল: তুমার আছিবেনা অছিবেনা আর। অমুকসু থীখি 'মৈতৈ চনু কবিতা - কবি চাউবগী শুর ছন্দসিনা নীংশিংহনবনি। তৌবদি ইংরাজী কবিতাদা চঙলকপদদি ছন্দগী শরুক্কী মফম লৈরক্তবগুম তৌই। থোৎপা নৌবা মেঙবদি সংস্কৃত, বেঙ্গলী, উর্দ্দু, মণিপুরীনা হেল্লকপগুম খঞ্জে - অতৈ লোন্দদি খঙজদে।

লায়রবী ঈরোন্নি খঙদবনা হায়বনি হায়বসি অচুম্বনি থাজে। মরমদি 'গীতগোবিন্দ' গী ঈশৈ হন্দোকপদা ৱাহৈ য়াম্না ৱাৎলকপগুম থেংনজে - খুদম ওইনা 'হরি রিহ মুগদ্ধব ধুনিকরে - বিলাসিনি বিলসতি কেলি পরে।'

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংঙি - পূম্নমকসি শেংনা খঙবা ঙম্নবগীদমক, হেন্না ফজবা মরাক পাকপা ৱাখল্লোন ফংনবা তানবদা লাইরিক য়াম্না পাবসু চঙঙি। অদুনা কাব্য নৎত্রগা সাহিত্য নৈনবগী অহানবা লাইরিক ভারত মুনিগী 'নাট্যশাস্ত্র' নচিংবা পাবসু কান্নগদবা মাল্লি। ঈথক থোংবা লাইগুরু কয়াগী নাক্তসু ফমজবা তাই।

হৌজিক্কী ওইনা হায়জনীংবদি কবি পূম্নমক অশেংবা কবিগী ৱাখল্লোন চেনহঞ্জনীংই- 'ফজবা অমদি নুংশিবগী কুয়োম্মুংদা হিংমিন্নসি' ৱাহৈসি হায়জরগা ময়ামদগী বিদায় লৌজরি। থাগৎচরি।

***মথক্কী ৱাফমশিং অসি লৈখিদ্রবী শক্লাইরবী অইবী, পাউচে অসিগী কলমনিষ্ট শঞ্জেনবম ভানুমতীনা কংলাদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরগী থৌরমদা ফোঙদোকপীরম্বনি।***

মীওইপোক্তগী তানঙমদ্রবা থৌদোক, লাইবক ফবীগী শীংদা চনখ্রবী অইবী ইচেম্মা শঞ্জেনবম ভানুমতীনি। ইবদা পামজবদা নত্তনা নুপী খুন্নাইবু য়োকখৎপা পামজবী অমসু ওইখি। মনোহর সাই শৈশক অসিবু মাঙখিগদৌরে হায়না শৈশক অসিবু অমুক হন্না শন্দোক্লবা অমদি মাঙদনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরম্বা শক্লাইবীনি। ইবা হায়বসি ইচেম্মগীদি থাদোক্লবা য়াদ্রবা অমা ওইনা লাকখি। ইচেম্মগা খঙনখিবসিসু উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দা লৈবা মনোহর সাই সভাগীদমক্তা মহাক্লা থৌদাং লৌরম্বা অদুদগীনি। গুরু বাগেন্দ্রোগী মান্দবতা মনোহর সাই শক্তুনা শৈশক অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা মনোহর সাইগী শৈশকপী ওইনা খঙখিবনি।

নুমিৎতু নবেম্বর ১১নি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি অমসুং সাহিত্য একাদেমি অনীনা খূৎশম্নরগা কংলাদা পাঙথোকপা ***৬শুবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরগী থৌরম*** অমনি। নুমিৎতুগী অয়ূক্কী সেসন লোইরদুনা ময়ামগী ওইবা চাকলেন অমা চামিন্নখি। চাকলেন অদুদা ইচেম্মা ভানুমতীগা ঐগা থংননা ফম্লগা চামিন্নখি। চাক চানা চানা ইচেম্মনা হায়রকই, হৱাই থোংবদুগা চম্ফুৎকা চাবদা খরা হেঞ্জিল্লে, ঙসিগীসি হাওই। হয়েংদি মেরামিস তৌগদবনিনা খরা হেন্না চারগে। ঙা য়াওদবা কাংশোই ঐ থোংগে চাবা লাকউ হায়না ৱারী কয়া শান্নখি। চাক চাবা তোল্লবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা অনীশুবা সেসন হৌখি। অদুবু ঐদি লাইরিক ফোঙবা লৈবনিনা য়াওররোই হায়রম্লগা মখা তাবা থৌরমদি লোইবা ফাওবা য়াওখিদ্রে।

অনীশুবা সেসন অদুদা ইচেম্মা ভানুমতীনা নুপী ঙাক্তগী শৈরেং শৈদিন্নবগী চ্যের লৌবগা লোয়ননা থৌরমদুদা ৱাফম কয়া থমখিবগী ফোটোনচিংবা নম্লবা মতুং ষ্টেট কলা একাদেমিগী ষ্টাফশিংদা ঐহাক লাইরিক ফোঙবগী ফোটো নম্লুরগা লাক্কে হায়রম্মী। অদুবু থেংবদগী অমুক হন্না চৎখিদ্রে। নুমিৎতু নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তারম্লগানি। রাজমনিনা ফোন তৌরকই। ইচেম্মা ভানুমতীগী ফোটো নমহৌরবদি অমত্তা থারকউ, ইচেম্মা ভানুমতী ৱা ঙাঙনা ঙাঙনা লেকথরকপদগী লায়কন্নরবা মতুং লৈখিদ্রে হায়রকখি।

নুমিদাংৱাইরম মমশিল্লকপদা ইচেম্মা ভানুমতী লৈখিদবগী পাউ হংবা চৎপদা মহাক্কী মপুরোইবনা মথ্বায় শোক্লা হায়রকখি, ***"ঙসি ভানুমতীনা ঐঙোন্দা ঐ অমুক্তা খুরুমগে হায়রকখি। মদুদা ঐহাক্লা খনখি মাগীসি মহাক্লা চ্যের লৌগদবা, শৈরেং পাগদবা লৈবদুদা য়াইফন্নবা হায়রিমাল্লে খন্দুনা খুরুম্বা অদুদা মকোক্তা নাম্নদুনা মঙ্গল ওইজরো হায়খি। অদুবু হৌজিক্তদা খঙলক্লে মহাক চৎলগে হায়বা ওইরম্লে। মসিদসু নত্তনা নুমিৎতুদা মহাক্লা ইল্লিবা ফি অদুসু নবদ্বিপতগীরা, বৃন্দাবোনগীরা লৈরকখিবদু কাউরে, মহাক্লা লৈরক্লগা শুকইন ইন্দনা থমখিবদু ইল্লগা চৎপা নুমিৎ অমসুনি।"***

ইচেম্মা নহাক্তি চৎখ্রে ঐখোয়বু থাদোক্তুনা লাইরমলেন্দা। ইচেম্মগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবঙ শেম্বা মপূগী মফমদা থৌনিজরি।

*-নোমিতা*

# পোইরৈ মৈত্রবাক্তা নোংদা লাইরেন পাখংবগী চাদা নাউদা নত্তনদি লৈঙাকপা ঙমখিদে

**-খুন্দোংবম কুমার সিংহ-**

**মৈত্রবাক** (মণিপুর) দা হৌখিবা পুৱারী (ইতিহাস) বু খূৎমাবীখিবা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা (কুমজা ৩৩/৩৪-কুমজা ১৫৪) পানবদগী হৌনা মহাক্কী শুথাং ওইবা অমদি হক লৈবা মচা মশুশিংদগী মথং মথং নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকপনা মৈদিংঙু তাংজাম্বা (কুমজা ১৫৪২-৪৫) না পানবসিদগীদি লোইখ্রে হায়বদি মখোয়গী মচা মশু চাদা নাউদা খমখ্রে। মতমদুদা লৈবাক নিংথৌ পান্দবা য়াদবনিনা লৈবাক্কী কোনুংগী ফমথোন নাইবা অঙম অথৌশিংনা নিংথৌ শাগৈগী খ্বাইদগী নক্লবা মতিক মথৌদা কূপ্পা য়েংলগা নিংথৌ ওইনবা খনবগী অমসুং হাপ্পগী মথৌ তারম্মী। হায়রিবা নিংথৌ খনবগী লমদাংসিদা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মনাও ইবুংঙো ৱাংখৈরাকপা শানোংবা লাল্লুমখোম্বগী তাল্লোই অহল অঙোম চনু হাওচোঙ ঙম্বীগী অনীশুবা মচা কোরৌ নুংথিল চায়বা নৎত্রগা কাইনৌ চলাম্ববু কুমজা ১৫৪৫দা মশাগী চহী ৩২শুবদা (চৈথারোল কুম্বাবা) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ হাপখি। মতমদুদা মৈত্রবাক্তা পাল্লিবা নিংথৌশিংগা য়াম্না নক্লনা চারৌ মৌরৌনদুনা চৎমিন্নরিবা, মতেংসু পাংনরিবা অদুগা অমুকসু য়েংথিননা লৈনরিবা খূৎকন পাঙ্গন্না পাল্লিবা কাঙলুপতি অঙোম শল্লাইনি। অঙোমগী নিংথৌবু অঙৌ পানবা হায়নসু খঙনৈ। অঙোমগী নিংথৌশিংনা মথং মথং অঙৌপানবা ওইদুনা লাকপসিনা হায়রিবা মতমসিদা অঙোমগী নিংথৌসি লাল্লুমখোম্বা ওম্মানা অঙৌপানবা ওইরম্মী। অদুদগীদি অঙৌপানবা লাল্লুম খোম্বা ওম্মানা লুচিংদুনা মৈতৈগী কোনুংদা কুমজা ১৫৫৯ সিদা ফোংনা লান্দাশিল্লম্মী। লানফমদুদা মৈদিংঙু চলাম্বা লৈখিদ্রে। অঙোমশিংগী লালহৌদুনা মৈদিংঙু চলাম্বা লৈখিদবগী পাউসি মচাইবুংঙো থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বা (তুংলমচৎকী মুংয়াম্বা) না তাবদগী কংলৈ পুঙময়োনগী মফম অমদা (থাংমৈবন্দ) লোত্তুনা লৈরম্বদগী অঙোমশিংনা মহাকপু থিরক্কনি চিংনবদগী অরাপ্পা মায়কৈরোমদা হুয়েন লাঞ্জেনখি। মতৌ অসুম্না কুমজা ১৫৫৯দগী অঙোমশিংনা মৈতৈ নিংথৌগী কোনুং পায়খি। অসুম্না অঙোমশিংনা কুমজা ১৫৬২গী অঙনবা শরুক ফাওবা চহী অহুম লৈঙাক্তুনা পানখিরম্মী। মতাং অসিদা মৈদিংঙু ক্যাম্বা নিংথৌরেনগী মনাও ইবুংঙো শানোংবা লাল্লুম খোম্বনা মহাক্কী তাল্লোই তরুংঙম্বী পান্নদুনা পোকপা চীংঙায়াঙবনা ময়াম্লুং মৈদিংঙু চলাম্বা হাৎখি হায়দুনা পাঙ্গন থোকপা ঙমখিদে।

মতমদু মৈতৈ নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা তমলৈকায়/চীংলৈকায়গী শল্লাইশিং অমসুং কাঙলুপশিংনা তোৎশিন্নদুনা শেমখিবা মৈত্রবাক ওইখিবনা শল্লাই অমগী নিংথৌ অমনা হেক্তা লৈঙাকপা হায়বসি অরাইবা ওইরমদে অদুনা অঙোমশিংনা মৈত্রবাক্কী য়েক শল্লাই অমদি কাঙলুপ খুদিংমক্কী চৎন-কাঙলোনগী ৱায়েল থৌদাশিং অমসুং চাওখৎ থৌরাংশিংনচিংবা অমত্তা পাঙথোকপা ঙল্লমদে। মখোয়না মতম মতমগী থোক্লক্লিবা থৌদোক্কী মতুং ইন্না খোঙ থাংদুনা অমসুং খূৎ হাইদুনা মতম ঙাইদুনা লৈবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈরমদে। অদুদগী অঙোমশিংনা শিংদাক শিঞ্জিন তৌদুনা অহিং ফাওবা তূমদনা ফনা কন্না হোৎনদুনসু লৈঙাকপগী থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙল্লমদে। অদুদগীদি অঙোমশিংনা য়াম্না কূপ্পা কয়ারক হন্না খন্নরবা মতুংদা ৱাংঙম মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী মতিক চাবা নুপা অমদা মৈত্রবাকসি শিন্নথোকখ্রসি হায়না ৱারেপ্পখি।

অসুম্না অঙোমশিংনা চহী অহুম লৈঙাক্লবা হোৎনবদা ঙল্লক্তুদুনা মৈদিংঙু চলাম্বগী খ্বাইদগী হেন্না নক্লবা মতিক চাবা নুপা অমদা পীথোক্তুনা মখোয়না থোকপা তৌহনখ্রসি অদুগা মখোয়না মমাঙঙৈগী তৌবগুম্না লৈঙাক্লোনগী পরিংদা তেংবাঙদুনা লৈবাক ঙাকহনখ্রসি হায়না লেপ্পখি।

মতুং তারকপদা অঙোমশিংনা লেপ্পখিবদুগী মতুং ইন্না মতিক মপা চাবা, মথৌনা মরৌশিং লৈবা অমসুং লৈঙাকপা ঙমগদবা মৈতৈ নিংথৌগী শাগৈদা কনা কনা লৈবগে হায়না থিরকখি। মখোয়না মৈদিংঙু চলাম্বগী মনাও ইবুংঙো অনী ৱাংখৈ চীংঙায়াংবা অমসুং পুরানথাবা পুমিংনবা লৈরি খঙলকখি। অদুদগীদি অঙোমশিংনা ৱাংখৈ চীংঙায়াংবগী মনাক্তা লাক্তুনা কুমজা ১৫৬২গী অঙনবা মতমদা মহাকপু মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাহনখি। মতৌ অসুম্না অঙোমশিংনা চীংঙায়াংবগী কোকথক্তা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক পোৎলুম থারখি।

ৱাংখৈ চীংঙায়াংবনা মপা মপূশিংনা থম্বীরম্বা মরল মথুম ওইরবা, মতমদুগী চহী ১৫০০ রোমগী শাংলবা মতমবু লাইওইখ্রবা মপা মপূশিং অমদি ময়াম্লুংশিংনা পুরম্বা থৌদাংশিংদু অঙোমশিংগী মখূৎতা তাহন্নীংদদুনা শিন্নরিবা লৈঙাক থৌদাদুদি লৌখি। মতাং অসিদা থমজনীংবা অমনা - অসিগুম্বা মরুওইবা পুৱারীগী তাঙ্কক হায়বদি অঙোমশিংনা চহী অহুম মৈতৈ কোনুংদা পাল্লম্বা অদুগা চীংঙায়াংবনা নিংথৌ খুভম শিন্নবগী মতাং অদুগা মহাক্লা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক থৌদা লৌহৌবগী মতাংনচিংবা কয়াসি চৈথারোল কুম্বাবদা চনবীরমদবা অসিনি।

অঙোমশিংনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক থৌদাবু চীংঙায়াংবদা শিন্নরম্লগা মশা কোমনা নুংঙাইবা হায়বদু ফংলদুনা মাগী মাগী ময়ূমদা হন্নখি। হায়রিবা মতমসিসু অঙৌপানবা লাল্লুমখোম্বা - ওম্মাসু অঙোমগী ফম্বালদগী কুমখ্রে। নোংবান করেং শঙফাবনা অঙৌপানবা ওইখ্রে। ৱাংখৈ চীংঙায়াংবনা নিংথৌ ফম্বাল কারে তাবদা মহাক্কী পোকমিন্নবা মমা তিন্নদবা মচিন-মনাওশিং অমদি পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্কী মীয়ামশিংসু হরাউনরে লোয়ননা হান্ননা মৈতৈ নিংথৌগী লৈঙাক ৱায়েন পুবা য়াওরম্বা য়াইতোঙ-খমদোংবশিংসু চীংঙায়াংবগী ময়ূম চীংঙা মরমদমদা লাক্লদুনা অফ-ফত্ত খন্নবদা শরুক য়ারখি।

মতমদুদা চীংঙায়াংবনা মহাক্কী থম্মোয়নুংদা পুরিবা ৱাখলদুদি :- মপা মপূশিংনা থম্বীরম্বা পোইরৈ মৈত্রবাক লমদমসি মহাক্কী ইমুং মনুং ওইবা ময়াম্লুং চলাম্বগী লৈবাকনি মহাক্কী ফম্বালনি অসিনি। অদুনা ময়াম্লুং নোঙ্গাখ্রবনিনা মচাইবুংঙোদুগীদমক্তা মহাক্লা (চীংঙায়াংবা) মহুৎ মরেং শিন্দুনা থৌদাং লৌরিবনি। মহাক নিংথৌ নত্তে, নিংথৌগী হক লৈতে নিংথৌগী মহুৎ শিনবা থৌপুবনি হায়বসিনি। অসিগুম্বা চীংঙায়াংবগী মপুকচেল অমদি মহাক্কী লিচৎ মচৎ অসিদা লৈবাক্কী থৌগায় পুরিবা অঙম অথৌশিংনা ঙক্তবা ঙল্লমদে। অদুদগীদি কুমজা ১৫৫৯দগী অঙোমশিং কিদুনা শক লোৎখিবা ময়াম্লুং মৈদিংঙু চলাম্বগী মচানুপা 'থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বা' শিখি নাখিবগী পাউ তাদ্রিবনিনা মহাক হিংলি, লোৎতুনা লৈরি, থিদবা য়াদে, মহাকখক্তনি পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্কী ফম্বাল কাগদবসি হায়দুনা চীংঙায়াংবনা মীয়ামদা লাউথোক্লম্মী।

অসিগুম্বা চীংঙায়াংবগী পুকচেল চাউরবা অমদি মহাক্কী কথোকপগী লীচৎ মচৎসিবু পোইরৈ মীয়াম্না মাগী পুকমেন পাউমেনসিদগী নাথৈবা ঙল্লমদে। অদুদগী মৈত্রবাক্কী মীয়াম্না থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বা থিবা হৌখিরম্মী। চীংঙায়াংবা অমসুং মহাক্কী মীশিংনা থা অমা/অনী চঙনা থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্ববু থিরক্লবদা হায়রিবা মৈদিংঙু চলাম্বগী মচা ইবুংঙোসি নম্বোলগী কবো ৱাকচীং (শানশিংগী ৱা থাবা হৌখিবা চীং) দা লৈরে হায়বগী পাউসি ফংখি। অদুদগী চীংঙায়াংবা মশামক কবো ৱাকচীংদা চৎতুনা মচা ইবুংঙো থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্ববু উনখি অমসুং মখোয় মপা মচা অনীমক পুকচেল তিংনা ৱারী শান্নরম্বা মতুংদা চীংঙায়াংবনা নিংথৌ ফম্বাল শিন্নবা লাকপনি হায়বসি থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনা খঙলকখি অমসুং মশা মতোমতা ইকায়জখি। মতৌ অসুম্না মচাইবুংঙোবু মহাক্কী মরমদম চীংঙাদা পুরক্তুনা মতমদুগী খূৎকন পাঙ্গল্লিবা অঙোম, খুমন অমসুং লুৱাংনচিংবা কাঙলুপকী মীওইশিংবু তেশিন তাইশিন্নদুনা মচাইবুংঙো থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্ববু কুমজা ১৫৬২ হৌগৎলকপদা মৈতৈ নিংথৌ হাপখি। থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনসু মখুরাতোন ৱাংখৈ চীংঙায়াংবাবু মপা শক্লা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মৈত্রবাক্তা পানমিন্নখি। অইবা ঐহাক্লা য়াম্না শম্না লৌখৎচরগা লাম্হোকচবনি।

কুমজা ১৫৭৩দা কবোগী মুংখোঙ-মুংয়াং ঙমখি হায়দুনা থাংৱাই নিংথৌ ক্যাম্ববু মুংয়াংঙম্বা হায়না থোনখিবদগী লোম্হে তারক্লগা মুংয়াম্বা হায়না খঙনখি। অমুক্তা হন্না ঐহাক্লা থমজরিবনা কুমজা ১৫৫৯দগী কুমজা ১৫৬২গী হৌগৎলকপা চহী অহুমসি অঙোমশিংনা মৈত্রবাক্কী ফম্বাল পায়খিবসিমদি কুম্বাবদা চনবীরমদ্রে অদুম ওইনমক মৈদিংঙু চলাম্বগী মতুংদা মহাক্কী মচাইবুংঙো থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনা (মুংয়াম্বা) কুমজা ১৫৬২দা নিংথৌ ফম্বাল কাখিবদুদি ইকায় কায়দনা অদুম কুম্বাবদা চনবিরম্বসিগী মরমদি হায়জবা ঙমজদে অসিনি।

ইজরিবা ঐহাক্লা মপূং ওইনা থমজরিবা ৱাফমদি মতমদুদা মৈত্রবাক মণিপুরদা য়েক সল্লাই অমদি অতৈ কাঙলুপ কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরিবা পোইরৈ লমদমসিদা পুৱারী (ইতিহাসকী) ওইনা ইহান হান্না নিংথৌ ওইখিবা 'মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা' (কুমজা ৩৩/৩৪-১৫৪) গী চাদা নাউদা নত্তনদি লৈঙাক্তুনা পানবা ঙমদে হায়বসিমদি পুৱারীনা খুদম চাংদম ওইজরে হায়বসি উৎচবনি।

অরোইবা ওইনা থমজনীংবা ৱারোলদি মৈত্রবাক মণিপুরদা লৈখিবা নিংথৌ মচাশিংগী মরক্তা নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা অমসুং লৈবাক মীয়াম্না শিন্নরবা নিংথৌ ফম্বালবু মহাক্কী হক নত্তে হায়দুনা হক লৈবা নিংথৌমচা অমদা নিংথৌ ফম্বাল কথোকখিবা পুকচেল চাউরবা অহানবা নিংথৌ মচাদি ৱাংখৈময়ূম শাগৈগী ৱাংখৈ চীংঙায়াংবা হায়রিবা মৈদিংঙু লোম্বগী মনাও ইবুংঙোসিনি হায়না থমজগে।

মথংদি নোংদা লাইরেন পাখংবগী মরী মখোং ওইনা থমজরক্কে।

নৈনজখিবা :-

(১) চৈথারোল কুম্বাবা (পণ্ডিট খেলচন্দ্র)
(২) সরাংথেম বরমনিগী মৈতৈ নিংথৌরোল
(৩) বি কুল্লচন্দ্র শর্ম্মগী 'নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচাশিং।

# মোদিজিগী ত্রান্সপরেন্সিগা ঐখোয়না খল্লিবা ত্রান্সপরেন্সিগা খেন্নরিজাৎলা

**অমরজিৎ খাঙেম্বম**

**অরোনবা** ৱা হায়সি কৈনো। লোন্না হায়ববু কনানা তাদোইবা। মী কনা অমত্তা তাদনা হায়রম্বা ৱাবু তারিবা ঐ খক্তনি তাদোইসি। অতৈদি কাইদৈ তারুনি হায়গে। ঐহাক্তনি তারিবা কনানসু তাবা নত্তে। অদুনা হায়দোক্কে হায়দোক্লোই ঐগী কুসিনি। মসিদি ওম্হোক্লবু নুংঙাইখ্রে, মীয়ামসি ঈরাং হৌহনগে হৌহল্লোই নুংঙাইখ্রবা, থোকউ হায়বগা হেক্তা থোকপা খূৎলায় অদুগুম্বনি। নোই লৈকায় ঈরাং ফত্তে চেকশিনদবা য়াদে, তয়ারি তৌদুনা থমদা য়াপোত্তে ঐগী খূৎলায়সি। ইচিন ইনাও ওইরসু হায়দোকপা য়াপোত্তে অদুনবু নখোয় লৈরসু য়াওহনদবী অতোপ্পা কাদা ৱারী শান্নরিদো নোই খঙদ্রো। ঈরাং থোক্তৌরে মদু হায়দোক্তুদি হান্না হান্না হংলসু, তুমিনদুম লৈয়ু ঐ অদুম ফনবা শিল্লক্কে। ঙসিফাওবা করিনো কা খঙহন্দে পোকমিন্নবা ইচিন ইনাও, খোঙলোই ওইরসু। লোৎলদি লোৎখ্রদবনি, হায়দোক্লোই খনখ্রদি হায়ররোইদবনি ইমা ইপাদা ওইরসু, পুকচেল চেৎপা নুপা হায়দু অসিনিদনা। অদুনবু মীয়ামঅসিনা পুকচেল চেৎলি মথৌনা লৈ হায়নরিসি হায়নরমগদ্রো। মীনা তাহন্নীংদবা ৱা হায়সি হেক্তা তানীংবা পোকপনি, "হায়দোকপদি য়াদে নঙগী ৱানি' কা হায়রদি অমুক্কা হেন্না তানীংবনা ইখৌ লাংবা হেনজিদবা মী লৈপোত্তে। প্রোক-প্রোক হেক চাকপা মখৈ কোয়তান হেক তান্নরগা হংনীংবনা মহা অরোইবীনি। অদুনা ওগষ্ট ৩গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টদু করিনো হায়বা তানীংবা লোইনা পোকখি, গ্রী-গ্রী তক্তুনা হায়দোক্কদ্রা হায়না হংদা হংলুরগা হায়দোকপা য়াদে নোইগী ৱানি অসিনি। ইস... লোইরে মসিদনি খোইদৌ অসি হেক শাওগৎপা মখৈ প্রোক-প্রোক চাক্লিসি। অশেংববু ওইরিব্রা অরানববু হায়রিব্রা মসিদি নাগাশিংগী ফ্রেমৱার্ক খক্তনি মনুংদা করিসু য়াওবা নত্তে অসিনি। মদু থাজদে করিগুম্বা খরা মনুংদা শোয়দনা য়াওরমগনি য়াওদ্রসু হাপতৌরবনি অদুনা ফ্রেমৱার্ক হায়না শেল্লিবা নৎত্রো। য়ূম শাদ্রিঙৈদা ফেন্সিং হান্না তৌবগুম্বনি। করিনো অমদি তৌদৌরে, শোয়দ্রবনি। শোমদনা গ্রেটর নাগালেন্দগী ৱাফম সোলুসন লাক্লনি হায়না চোঙবগা থিনবগা লোইরে হরাউবনা। কনাই ৱানো তাদোইসি, করম্বনা চুমদোইনো নূং অনীগী মরক্তা য়েরুম তাদুনা মরৈরে। নোংমদি য়েরুম তোইব্রা নৎত্রগা নূং ওনব্রা অমদি শোয়দ্রে।

হৌরক্কনু হায়না ধপ তৌরিব্রা খঙদে, ৱা কাসি চাউনা চাউনা অমুক্তা ঙাঙহৌগে, তুমিন লৈয়ু হেন্দা হেনজিল্লগনা তঙ্খাই হেক য়েন্নথোকখ্রগা লোইরে খঞ্জরিজাৎলা। কনানা থাজদৌরি হায়খিবা ৱা থবক্কা ইখেৎ খেন্নবা অমা শ্বাইদা মতৌরি। মণিপুর ফাওদুনা চেল্লিবা নেসনল হায়ৱে নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা সিৎ নান্না থমগনি হায়না পি এম মশামক্লা হায়রম্বা ৱা অমা তাহৌবনি ময়াম্না, মেদিয়ানা শাখিনি ঐনা হায়বা নত্তে। সেন্তরদা বি জে পিনা পানবা লৈঙাক চহী মরি ফাদৌরে, মণিপুরদনা থা নিপান মপূং ফাদৌরে, হায়দোকখিবা ৱা মপূং ফানা পাঙথোক্ত্রি মাল্লে ঙরাং নহান এন ঐচ ৩৭তা য়োৎকী থোং অমা তৎতুনা বিলাটিমাটি পুবা ত্রক অমা তুরেলদা তাশিনখিবদু উনহৌই ফেসবুক্তসু অদুম থেংনৈ। কোংগ্রেসনা চহী ১৫ চূপ্পা পানখিবদসু এন ঐচশিং অসি মতিক চানা থম্লম্মী হায়না শুংহায় হেক হায়নীংদে। চহী ১৫ তৌরমদ্রবা অদু চহী ১ ফাদ্রিবা গভর্ণমেন্টতা তাইনবা মতাং চাদে হায়না বি জে পিনা খল্লবসু আ লুচিং পুরেলদুনা নুমিৎ ১০০নি হায়রম্বা অমা লৈবদুনা মীয়াম্না পন্নরকপগী ৱানি শাওগৎখিনু। হায়রম্বগী পন্নরকপৈ ৱানি, হায়রমদ্রদি চহী ৫ চঙনা শেমগৎলসু কনা অমত্তনা হায়রক্লোই, মহৌশা মহৌশানি কৈনো খলম্বসু য়ারিপোৎনি। বোমনা হৌরগা পোকলাওবীনা লোইখিবা কা হায়সি খজিক্তং নুংঙাইতে হায়নদ্রো। ঐগুম্বা মীচম অমনদি পংহায় হায়রগা চিনগা খূৎকা মান্নদ্রসু করিসু হায়নদে, লুচিংবা অমনা পংহায় হায়বা চিনগা খূৎকা মান্নদবা হায়সি মীয়াম্না কাউনদে, অদুনা অহানবদা খুদোংচাবা লৌজখ্রবসু অনীরক শুবদদি খুদুম শিংদুনা খঙগনি অসিনি।

ওনরেবল সী এম এন বিরেনগী লৈঙাক লাকখিবদগী চীংদা চৎলু হায়বা ৱাখল্লোনদা চীংমী খুদিংমক্লা হরাউদুনা দোলাইবু তোংহনবনে, নোংমৈবু কাপ্পনে, লৈ পরেং মথোন মথোনবু হুকপনে, ধম্মগী লাইনীং লাইশোন শক শোনবনে চীংমীশিংগী মনি-মুক্তা অমা ফংবগুম ওকখিবা ঙাক্তনি। লৈবাক্কী কেবিনেট মীফম ফাওবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎতুনা মীফম অহুল্লক ফমখ্রে। মসি সী এমগী চীং অমদি তম চপ মান্ননা চাওখৎমিন্নদবা য়াদে হায়বগী থাংজিনখ্রিবা খোঙথাং অমনি। লৈবাক ঈরাং থোক্তনবা শিনবা থৌশিল ফজদে হায়বদি য়ারোই অদুনবু এসেমব্লি মমাঙদা এন পি এফকা চৎমিন্নরোই হায়না বি জে পিনা খনখিবা লৈরম্লবসু ঈরাং থোকপা পামদবগী, শান্তি ওইরোই খনবদগী তুংগী মীৎয়েং শানবনি হায়গদ্রা অদুগা এন পি এফনসু লৈঙাক্লা পূন্না চৎমিন্নরমদ্রবা চীংমী মীয়াম মরক্তসু ঈরাং অমা থোক্লকপা য়াই খনবগীরা হৌজিক লৈঙাকমিন্নরি। অমগী ৱা শুংনৎ নত্তনা লৈবাক ঈরাং থোকপা হায়সিদবু অফবদি নত্তে থোক্তবসি ফরে। লুচিংবা অমা ওইনা থাংজিল্লিবা খোঙথাং ফজে, এন পি এফসু লৈঙাক য়াওহৌবা ফরে নৎত্রগদি চীং অমদি তম অমদি চীংমীশিংগী মরক্তা চাউরবা শম্বল অমা খারম্বসু য়াই খারমদবসু য়াই।

চীংদা চৎলু ফজে, ফজদে হায়বদি য়ারোই। হৌজিক চীং অমদি তম অনীগী লুচিংবসি ওনরেবল সী এম এন বিরেনি, চৎপা চৎতবগী ৱাফম শুংনৎ নত্তনা মথৌ তারবদি মান্নবা মীৎয়েং য়েংবীবদুনি। তম্পাক্কী লমদসু অদুমক লোইনা চাওখৎলে হায়বসু য়াদ্রি। অদুবু চীংগী ফীভম্না হেন্না চাওখৎতবগুম তৌরি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লিঙৈ মতমদসু সেন্তরনা মণিপুরদা থাদরকখিবা শেনফম পূম্নমক চীংগী শরুক য়াওখিদে হায়না লৌবা য়ারোই। লৈঙাক্তা চীংগী লুচিংবা ২০মুক য়াওরি মখোয় মখোয়গী স্যের থুংখিদবা লৈরল্লোই। চীংদা লৈহৌরিবশিংবু নুংশিবা অমদি মশাগী পোক্লফম খুঙ্গংবু নোংমতা খোঙ্গুল তানীংদবা মী, ইম্ফাল ময়োলদা ক্রোর ক্রোর পায়দুনা লৈবা কোকথোং অমসু লৈতে হায়বদি য়ারোই। অমরোমদা হন্দক্কী লুচিংবা অসিনা চীংদা হকথেংননা চৎতুনা চীং তম অনী পূন্না চাওখৎমিন্নগদবনি হায়না লৌরক্লিবা খোঙথাং চীংগী মীওইশিংগী খ্বাইদগী লাইবক ফবনি। চৎপখক্তা নত্তনা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তারগদি কান্নবা লৈরোই অদুগা চীংগী লমদা অনা লায়েংগী, মহৈ মশীন তম্বগী, লম্বী থোংগী, এদমিনিষ্ট্রেসন সিষ্টেম ফজনা চলাইবা ঙমদ্রিবা কয়া মপূং ফানা চলাইনবা শিনবা থৌশিল অদুনি হেন্না মরুওইরিবদি। অমরোমদনা চীংদা কেবিনেট ফম্লগা, পেকেজ লাউথোক্লগা অমদি চীংদা চৎলু হায়রগা হেক্তা চাওখৎকদবা নত্তে। লুরিবদি য়েংবীগদবা মীৎয়েংদুগী পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং অদুনি অদুক্কী মতিক মরুওইরিবদি। অদুগা চীংগী লমদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎপা ঙমদনা লৈরিবা অসিনসু হেন্না চাওখৎ খোঙথাংদা হেক হেক অপনবা থোকপসু লৈতবা নত্তে। ষ্টেট পুলিস আউট পোষ্ট মতিক চানা থম্বা ঙমদ্রি, খূৎলায় মতিক চানা পীদ্রি, লালহৌবশিংনা তৌনীংবতা তৌদুনা মনিং মখা তম্বগী মমি অমসু তাবগুম তৌরি। চীং চাওখৎপা হায়সিদা লৈঙাক্কী মীৎয়েংখক্তা নত্তে চীংগী মীওইশিংসু থৌদাং লৌবা অমা চঙলি। চীং-তমগী মরী ফগৎনবা হোংলক্লিবা লৈঙাক্কী থৌশিল অসিদা চীংগী মীওইশিংসু হান্নগী ৱাখল পূম্নমক থাদোক্তুনা অওনবা অমদা লাকপগী মথৌসু তাই। চীংগী মীয়ামগী ৱাখল মতম শাংনা লোইনদুনা লাকখ্রবা কোংগ্রেসনা হায়খিবা সী এম বিরেন রেদ কার্পেট মথক্তা ওক্লসু কার্পেট মথক্তা লিন্দু লৈবনি হায়রক্লিবসিগী নুংগী ওইবা মরুওইবা ৱাহম্বোক কয়া অমসু য়াওরল্লোই হায়না লৌবা য়াদবসু লৈরি।

সেন্তরদা লৈঙাক্লিবা এন দি এ লৈঙাক্লসু মীয়ামবু তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা থম্বীবা লমদমসিগী মীয়াম্না পামদে। চীং অমদি তম অনীগী মরক্তা শিংচেপ থাবগুম লৈরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট ময়েক শেংনা থম্বীয়ু। মনুংদা করিমত্তা য়াওদে, মণিপুর কায়বগী ৱাফমসু লৈতে হায়রসু য়ারসি, তৌবতবু চহী ৩ শুরবা ফ্রেমৱার্ক অদুগী মনুংদা হাপতৌরিবা হায়বদি ফেন্সিং তৌদুনা থল্লিবা মফমদু পুখ্রি তৌদোইরা, য়ূম শাদোইরা ময়েক অমা ইশেং হেক শেংদবা অসিদনি লমদমসিগী মীয়াম্না চরাংনরিবসি। করিগুম্বা এন এস সী এন (আই-এম) অসি সেন্তরগা পিছ টোক চত্থরিবা মচিণপুরদা লৈবা লালহৌলূপ অমা ওইরমদ্রবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টগী মরমদা করিসু হংবীরোই। হায়খিবদাই এন দি এ গভর্ণমেন্টকী লুচিংবা মোদিজিনা ত্রান্সপরেন্সি, ত্রান্সপরেন্সি হায়না লাউখিবদু কদাই চৎখ্রে। ত্রান্সপরেন্সি হায়সি ঐখোয়না খল্লিসিগা মোদিজিনা খল্লিসিগা মান্নদ্রজাৎলা?